# হকচাংগী ফিগর অমদি পোটেন্সিয়েল য়েংদুনা চানবা স্পোর্টসনা থাজিনসি

*- প্রোঃ নন্দকুমার*

*ইম্ফাল, এপ্রিল ৩ ঃ* স্পোর্টস মুভমেন্ট কম্মিটি, মণিপুরনা শিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল এদুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স, মণিপুর সরকারগী য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া, নোর্ঠ ইষ্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চত্থগদবা ''স্পোর্টস মুভমেন্ট ইন টুয়েন্টিফার্ষ্ট সেঞ্চুরি ইন মণিপুর'' হায়বা ষ্টেট লেভেল সেমিনার ঙসিদগী এম য়ুগী সেন্টেনরি হোলদা হৌদোকখ্রে।

ষ্টেট লেভেল সেমিনার অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এম য়ুগী ভাইস-চান্সেলর প্রোঃ ঐচ নন্দকুমার শর্ম্মনা চিফ গেষ্ট, স্পোর্টস মুভমেন্ট কম্মিটি মণিপুরগী কনভেনর আর কে রানেন্দ্রজিৎনা থৌরম মপু, এম য়ুগী স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সকী প্রোক্টোর অমসুং দিন প্রো: দল্লিয়ু নবকুমার, য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী স্পিসিয়েল সেক্রেটরি ঐচ দিলিপ, সাই, এন ই আর সি ইম্ফালগী দাইরেক্টর ফ্রান্সিস মারৱেন অমসুং ববিনা হেল কিয়ার এন্দ হোস্পিটালিলিটিগী সি এম দি ডাঃ টি ঐচ ধল্লিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অসি হৌদোক্লদুনা চিফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা প্রোঃ ঐচ নন্দকুমারনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদগী ইনখৎলক্লিবা নুপা-নুপী য়ুঠ কয়া পোটেন্সিয়েল, হকচাংগী ফিগর নিংথিনা খংদোক্লবা তুংদা চানবা স্পোর্টসতা থাজিন্নবা হোৎনসি। হকচাংগী ফিগর চান্নদনা স্পোর্টসতা থাজিনবা তৌরোয়দবনি। চানবা স্পোর্টসতা শান্নসি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা স্পোর্টস মুভমেন্ট কম্মিটি, মণিপুরগী কনভেনর আর কে রনেন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ২১ শুবা সেঞ্চুরিদা মণিপুরদগী অফবা শান্নরোই কয়া পুথোক্লবা হোৎনসি। অফবা শান্নরোই কয়া হিমায় নিংথিনা চুমদুনা শান্নবগী ঈহৌ কনখৎহনসি।

ওলেম্পিয়ান কয়া পুথোক্তুনা মেদল কয়া মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা ফংবা ঙম্নবা লমদম অসিগী একাদেমিসিয়ান কয়াগা কোক চুংশিন্নদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৱাৎপরা নত্রগা করি ৱাৎলিবগে হায়বা নিংথিনা থিদোকপা দরকার ওই হায়খি। ঙসি হৌদোকপা নুমিৎতা রিসোর্ছ পার্সন কয়ানা ৱা ঙাংখি।